# ঙসিগী মীয়ামগী খোল্লাওদি 'ঈগী লমন ঈনা শিংগনি'



অচুম্বতনা জয় ওইরকখিনি
কর্নেল হাওরোংবম সরত (রিটাইয়র্দ)
শোত্থরবশিংদা কত্থোকচবা

ঙসি ইজরিবা আর্টিকেল অসি কুমজা ১৯৪৯গী Universal Declaration of Human Rights UNOগী Article 19, Indian Constitutionগী Article 19 (1) A, Supreme Court না Scrapped তৌখিবা Section 66 A of the Information Technology Act of 23 July 2023 অমসুং চহী অহুম চঙনা তমজরকখিবা জর্নেলিজম কোর্সকী ইথিক্সশিংদু ব্রেনদা থল্লগা ইজ রিবা ৱাফমশিংনি। মীওইবগী ইথিক্স অমতা ঙাক্না চত্তবা খুন্নাই অসিদদি ইরিবা ৱাখল্লোন অসি চান্নবা য়াম্না ৱাৎকনি। অদুবু মীওইবা ঐখোয়গী মপোক্তদি ধর্ম্ম কায়বা য়াদে, মীনুংশি লৈবসি মীওইবগী লীচৎনি অমসুং অচুম্বা হায়বসি মীৎকুপ অমা ফাওবা কাউবা য়াদবনি।


মণিপুর খুন্নাই অসি নোংম-নোংমগী লোইশিল্লক্লি। ওইরক্লিবা ফীভমসি কনা-কনানা Critical analysis তৌবিরিবগে? মণিপুরগী লাইরিক-লাইশু হৈবশিংদু কদাইদা মাঙখ্রবগে? চহী তরেৎ খুন্তাকপা (কুমজা ১৮১৯-১৮২৬) গী মতমদা ফাওবা নহা ইচাশিং 180+13= 193 হেন্না মরৈবাক্কীদমক থৱায় কৎখিদে। মীচম মীয়াম লিশীং কয়া মশাগী ময়ূমদা লৈবা ফংদনা হিংলি। চহী তরেৎ খুন্তাকপগী মতমদা ৱাখিবদুদগী হেন্না ঙসিগী করিসু খঙজদ্রবা মীওইশিং য়াম্না ৱানা পূন্সি লেল্লি। হংজনীংলিবা ৱাফমদি - করিসু খঙজদ্রবা মীওইশিংনা করিগীদমক ময়ূম থাদোক্লগা হিংনবগীদমক চেনফম থোকপগে? মখোয়গী ময়ূমশিং করিগী মৈ থাফম থোকপগে? লৈঙাক লৈত্রবরা?

য়ু এন ওগী আর্টিকেল ৩গী মতুংইন্না ঐখোয়না হিংনবগী রাইট লৈরি। মীয়ামগী লিবর্টি, লাইফ অমসুং সিক্যুরিটি অসি লৈঙাক্না ঙাকফম থোক্তবরা? লৈরিবা লৈঙাক অসি লৈতেংগীরা? নৎত্রগা মপূনা চাননবা লৈরিবা মনাইগী লৈঙাক্লা? ঙক্তবা ঙমদে ঙসি ওইরিবা খুন্নাইসিগী পূন্সি মহিংসি। লায়রবনা য়াম্না ৱানা হিংলি। অদুগা নুংঙাই-য়াইফবনা করিসু খন্দনা লৈরি। লৈঙাক্কী ফম্নাইবশিংনা মরাইবক থীরবা মীয়ামগী কদাই ফাওবা খনবীবগে হায়বসিনি। মণিপুরগী পুৱারীদা ঙসি ফাওবগী মমাঙদা ওইরমখিবা, হৌজিক্কী মতমদা মীয়াম্না ৱারিবসিগুম্বসি অমুক্তা থোকখিদ্রি।

ঐখোয় পূন্নমক মালেমগী অমসুং লমদমসিগী পুৱারী খঙদবা য়াদে। পুৱারী খঙদবা মীনা মীয়ামগী মীহুৎ ওইবা য়াবা নত্তে। দ্রগ লল্লোনবা, গঞ্জা লল্লোনবা কন্ত্রেক্টর, সপ্লাইয়র, লাইরিক-লাইশু ফজনা তল্লক্তবা, মীওইবগী মপোক অসি করিনো খন্থবা ঙমদবা, অঙাং ওইরিঙৈদগী লমচৎ-শাজৎ লুরক্তবা, ইকায়বা হায়বসি শুক্লে লৈরক্ত্রবা মীশিংবু মীয়াম্না শেল লৌরগা মতিক চাবা মীহুৎশিংনি খল্লুবদগী লৈবাক অসি মূৎখিবগী তাঙ্কক লাক্লি। মীয়াম্না তুংগী মীরোলশিংগীদমক ৱাখল য়াম্না মুন্না খন্থবীয়ু। থেংলবসু থেংনা ঐখোয় অমুক্তা পূল্লপ-পূল্লগা ইমা লৈবাক মণিপুর (কংলৈপাক) অমুক্তা কলহৌসি, থেংথররোইসি। চহী ২০০০ হেল্লবা খুন্নাইনি।

ইন্দিয়ানা ঐখোয়দা হৈথরক্লিবা শেলশিংসি ঐখোয় পূন্নমক লোইশিনখিনবনি। শেলশিংসি ফম্নাইবশিংনা পূল্লপ-পূল্লপ লৌশিল্লগা ইলেক্সনগী মতমদা মী অমমমদা লুপা লিশীং ১০ ফাওবা য়েল্লি। লুপা লিশীং ২০/৩০/৪০/৫০ ফাওবা হন্দক্কী এম পিগী ইলেক্সনগী মতাংদদি য়েল্লক্নি। লুপা লাখ ১/১ য়েল্লক্লবসু লৌবীয়ু। করিসু অকায়বা লৈতে। মরমদি য়েল্লিবা শেলশিংসি মখোয়না হুমাং তারগা তাল্লকপা শেল নত্তে। ঐখোয়দগী টেক্স ওইনা খোমগৎখিবা শেল ময়ামদুনি। পীরিবদু লৌবদা পাপ অমত্তা চেল্লোই। অদুগা ভোট থাদবা মতমদদি মণিপুর ইমাগী টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি কনগদৌবা অমসুং ঙাক্কদৌবা মীওইদা অমসুং পোলিটিকেল পার্টি অদুদা ভোট থাদবীয়ু। ইলেক্ত্রোনিক ভোটিং মেছিন (ঈ ভি এম) দা শেমদোক-শেমজিন তৌরগদি - কুমজা ১৭৯৩গী জন্যুৱারী ২১দা ফ্রান্সকী নিংথৌ Louis Capet XVI না ফংখিবা দন্দি অদু শোয়দনা ফংলগনি। মীচম মীয়ামদা মীনম্বগী ফ্রান্সকী নিংথৌ অসি মীয়াম্না মকোক কক্লগা হাৎখি। মালেমদা ঈ ভি এম অসি লৈবাক অহুমখক্তা শীজিন্নে। য়ু এস এ, য়ু কে, ফ্রান্সনচিংবদা বেলোট পেপর শীজিন্নে।

ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর অসি লায়রবা লমদমনি। চা য়োল্লম্বা অমনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা অসিনি। হৌজিক মণিপুরদা ওইখিবা অমসুং ওইরিবা ফম্নাইবশিংগী হৌরকফম লোইনমক মীয়াম্না খঙনবা ঙাক্তনি। ইরুবগী মতম মাঙনবনি। হৌরকফম কাউবা মীদি মতিক-মগুণ য়াওদ্রবা মীনি। লাল বহাদুর শাস্ত্রিনা লাইরিক তম্লিঙৈদা গঙ্গা তুরেল লান্নবগী হি তোংবগী শেল লৈতদুনা মকোক্তা লাইরিক্তু হাপ্লগা ইরোইরগা গঙ্গা তুরেল লানখি। মহাক্না রেলৱে মিনিষ্টর ওইরিঙৈদা ত্রেন এক্সিদেন্ট থোকখিবদা মহাক রেলৱে মিনিষ্টরদগী রিজাইন তৌখি। হোম মিনিষ্টর অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর ওইরমখি। অদুবু মহাক্কীনি হায়বা য়ূম অমা ফাওবা মালেমসিদা শারগা থল্লমদে। মপূন্সিদু অশানবা য়ূমদা লৈরগা লোইখি। মণিপুর মীয়ামগী মীহুৎশিংগী লমচৎ-শাজৎ, লন-থুম, ময়ূম-মকৈ ময়ামসি য়েংবীয়ু।



ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরমখিবা এ পি জে অবদুল কলাম অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর হৌজিক ওইরিবা মীওই অনীগী লাইফ-ষ্টাইল অসি চাংদম্নদুনা অমুক্তা য়েংসি। এ পি জে অবদুল কলামদি অফবা ৱর্ল্ড সিটিজন খুদম্নি। মহাক য়াম্না চম্না মপূন্সি লোইখি। মঙোন্দা কেবা-মৌবা শুকলৈ লৈখিদে। প্রসিদেন্ট ওইরবা মতুংদা খোঙউপ তোংখি। চপ্পলতমক তোংলগা লেল্লকখিবা মীওইনি। খ্বাইদগী তমজনীংঙাই ওইবা প্রসিদেন্টনি। মহাক্না লৈখিদ্রবা মতুংদা বেঙ্ক একাউন্টতা শেল খরা, ফিরোল খরতমক লৈরমখি। মহাক্কী লৈজবা খরদু লোইনমক দোনেট তৌরমখি।

এ পি জে অবদুল কলাম পাখং ওইনা পূন্সি লোইখি। অদুবু মহাক্না খ্বাইদগী নুংশিবসি অঙাংশিং ওইখি। মহাক্না চৎপা মফম খুদিংদা অঙাংশিংগা উনখি অমসুং ৱারী শাখি। অদুগী ওন্ন-তৈনবনি হৌজিক্কী প্রাইম মিনিষ্টর অসিদি। ঙসি ফাওবদা ওইখিবা প্রাইম মিনিষ্টরশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী হেন্না লাইরিক লাইশু ৱাৎপসি হৌজিক ওইরিবা প্রাইম মিনিষ্টর অসিনি। নোংমদা দ্রেস মখলসি ৩ লক/৪ লক হোংবা মীওইনি। ইন্দিয়াগী মরু ওইবা ইনকমদি, রেভন্যুদি ফার্মরশিংগী পোত্থোক অদুনি। এগ্রিকলচরেল প্রদক্ট অসিনি। লোন শিংবা ঙমদদুনা সুইসাইদ তৌরিবা ফার্মরশিংগী লোনদি মহাক্না কোকপীদে। অদুগা অচৌবা ইন্দষ্ট্রিএলিষ্ট কয়াগীদি লুপা ক্রোর ৪০,০০০/৫০,০০০ ফাওবগীদি লোন কোকপীরি। লায়রববু নুংশিদবা, ইনাকখুনববু নপচবা মীওইনি। মতমনা মহাক্কীসু অরোইবা নুমিৎ শোয়দনা পুরকখিগনি।

ঙসি ফাওবদা ইন্দিয়াদা ইন্দিয়ন সিটিজন অমনা পদ্মশ্রী, পদ্মবি ভুষন, ভারত রত্না ফংখিবা মীওইদি এ পি জে অবদুল কলামতনি। মহাক্কুম্বা মীওই অনী শুদ্রি। ৱানোল্লগা ফংখিবা অমত্তা নত্তে। মতিক চাদবা মীওই অমদা এৱার্দ ফংবদা কনানবু ইকায়খুম্নবগে? মীনম্বা হায়বসি মীৎকুপকী মিত্রংনি। কুইবা য়াদবনি। মালেমসিদা লৈরিবা লৈবাক ২৫৭ অসি কোইনা চৎলুবগী খরচ অসি ফার্মরশিংগী প্রদক্টনা ওইরিবনি। মহাকসু হৌরকফম কাউখ্রবা মীওইনি।

থা তরেৎ হেন্না ৱারিবা মণিপুর মীয়ামগী মীৎকুপ অমা ফাওবা খন্থদবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনি। অসিগুম্বা মীনুংশি লৈতবা মীবু মণিপুর মীয়াম্না করম্না শৌগৎকনি? মতম্না অচুম্বা ৱায়েলদু পুরকপা ওইরসনু। মধ্য প্রদেশ, রাজস্থান, ছটিশগরদা মায় পাকখিবা পার্টি অদুনা মণিপুর মীয়ামগীদি করি পাঙথোক্লি হায়বসি পীশক পীল্লিবা অঙাংশিং ফাওবনা মমিৎনা উরি। ঈগী লমনদি ঈনা খুমগনি হায়না থম্মোয় শোক্না লাওরিবসি খক লেম্না মাঙলোই। তাইবঙ মপূগী থৌজাল অমসুং ৱায়েল লাকখিগনি। দ্রেস ফজনা শেৎলগা ফি শেৎতবগী থবকশিং মরুমদা পাঙথোক্লিবদু মশানা মশাবু মীনমজবা ঙাক্তনি। অদুগুম্বা মীওইশিংসি মীয়াম্না খংই, হঙ্গোইনৈ মখোয়বু থেংনবদা।

মণিপুরগী নিংথৌ খাগেম্বনা পাল্লিঙৈগী মতমদা, কুমজা ১৬০৬তা মুসলিম ১০০ রোম তম্পাক্কী এরিয়াদা খুন্দাবা হৌখি হায়না থেংনজে। অদুগা কুকি কাঙবুসিনা মণিপুরদা কুমজা ১৭৪১দা খুন্দাখি হায়বসি লাইরিকশিংদগী পারগা খঙজবা ঙাক্তনি। অদুনদি মুসলিম ইচিল ইনাওশিংনা চহী ১৩৫ হান্না কুকিশিংদগী লৈরমখি অমসুং হিংমিন্নরি হায়না লাইরিক্কী মতেংনা উৎলি। মথক-মখা ওন্নরবা লৈবাক ওইরে।

মীওবগী পূন্সিসি অঙ্কনি অমসুং পুৱারীনি। হীরম অনীসিদদি মীনম্বা, শেমজিন-শাজিনবা য়াদ্রে। ইজ রিবা ঐহাক ক্লাস ৱান্দগীনা ত্বেলভ ফাওবদা হিষ্ট্রি অমসুং মেথমেটিক্সতা ফর্ষ্ট তাজরকখি, তম্লিবা ক্লাসতুদা। খ্বাইদগী থম্মোয়না পামজবা হীরমশিংনি। অদুনা মীনম্বা ঙাওবা মীসি থম্মোয়না খ্বাইদগী লাপ্না থমজে, শুকয়া য়ানীংদবা মীওইনি। চহী খরা হিংলম্বসিদা অফবা থবক খরতা ওইরবসু পাঙথোক্লনবা হোৎনমিন্নরমসি। অরেম্বদা মতম মাঙহল্লোইসি।

হৌজিক মণিপুরদা চত্থরিবা মীওইবগী লীচৎ-শাজৎকী ৱাংমদা পাঙথোক্লিবা থবকশিংসি মালেমগী অতোপ্পা মফম অমত্তদা পাঙথোক্তে। মী অমবু মী অমনা অসুক তমথীনা ওৎপী-নৈবীবা অসি মীওইবা ওইনা পোক্লম্বগী থম্মোয় পান্দ্রবা মীশিংগী লমচৎনি। মখোয়গী অরোইবা মতম তাইবঙ শেম্বা মপূনা শোয়দনা শিল্লকখিগনি। খুরুমজরি মপূদা মখোয়বু খরা থুনা মখোয়গী ফংফম থোকপদু ফংহনবীয়ু হায়না। হৌজিক্কী মতমদা অকে-অমৌগী দ্রেস শেৎলগা মীয়াম মমাঙদা ময়া খিগৎকদৌবা, নোক্কদৌবা তাঞ্জা নত্তে। পোলিটিকেল পার্টি (নেসনল) গী লুচিংবশিংনা লমদম অসি লৈখা তানা চিংথরগা থল্লম্বদগী থোক্লিবা ঙাক্তনি। ইমা লৈবাক্কীদমক ইচা ১৯৩ থৱায় কৎখ্রে। কয়া অমসু থিবা খঙদ্রি। মখোয় ১৯৩ অসি লায়রবা ইমুংগী ইচাশিং ঙাক্তনি। হুরাল্লগা মপূন্সিদু হিংলকপা ইমুংগী নহা অমত্তা নত্তে। মণিপুরদা থম্মোয় ইনাকখুনবা মী য়ামদে। ইচাশিংগী মীংচৎ অমসুং মমিংদি মণিপুরনা লৈরিবমখৈ লৈহৌরগনি। মীয়াম পূল্লগা মখোয় পূন্নমক্কী ওইবা ক্রিমেটরি অমা শেম্নবা হোৎনসি। নীংশিংফম অসি নিরগদি শারোইনি। থম্মোয় শেংনা অঙম-অঙম্বা কৎলক্লগা, হাপ্লকপদুনা শেমগনি।

কুমজা ১৯৪৭তগীনা ২০২৩ ফাওবগী চহী ৭৬ মুকসি মণিপুরগী পোলিটিকেল সিষ্টম অসি শোয়দুনা লৈরি। মেনলেন্দ হায়বদি হিন্দি ঙাঙবা মীওইশিংনা ঐখোয়বু হন্থনা খল্লি। হন্থবা মিৎয়েংদা থম্মী। ঐখোয়সি ইশাগী প্রিন্সিপল থমদে। ফূরুপ অমগী মীংচৎপু মফম-মরাং খঙদবা খরনা শান্নবা য়াবা নতে। ন্যু দেল্লীদা (সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী) পোলিটিকেল পার্টি অদুতনা মণিপুরদসু পানগদৌবনি হায়বা লৈতে। দেল্লীদা কোংগ্রেস গভর্ণমেন্ট লৈরে মণিপুরদসু কোংগ্রেসনা গভর্ণমেন্ট হেক শেম্বা। বি জে পি গভর্ণমেন্ট হেক পাল্লগসু বি জে পি গভর্ণমেন্ট ওইনা থোক হেক ওন্থোকপগী দ্রামা অসিদনি মণিপুরগী মীয়াম্বু মখোয়না করিসু লৈতনা খল্লিবা অমসুং থবক ওইনা উৎলিবসিনি।

মিজোরাম ষ্টেটতা নবেম্বর ৭, ২০২৩দা পাঙথোকখিবা সিট ৪০গী ইলেক্সনগী ফল অসি মণিপুর মীয়ামগীসু ওইবা খ্বাইদগী চাউবা অমসুং শুককাউ কাউরোইদবা পাড়া অমনি। মিজোরাম ষ্টেটকী ওইবা রিজনেল হায়বদি মশাগী ওইজবা পোলিটিকেল পার্টি অনীদি এম এন এফ (মিজো নেসনল ফ্রন্ট) অমসুং জেদ পি এম (জোরাম পিপলস মুভমেন্ট) লৈরি। ইলেক্সন রিজল্ট য়েংসি -

| Year | ZPM | MNF | Cong. | BJP | AAP | INDEP |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 2018 | 08 | 26 | 05 | 01 | - | - |
| 2023 | 27 | 10 | 01 | 02 | - | - |

কুমজা ২০২৩গী এসেমল্লি ইলেক্সন অসিদা আম আদমি পার্টি (এ এ পি) গী কেন্দিদেট ০৪ কন্টেষ্ট তৌখি। ইন্দিপেন্দেন্ট কেন্দিদেটনা ১৭ লৈখি। মিজোরামদা লৈরিবা নেসনল পোলিটিকেল পার্টি অসি কোংগ্রেস, বি জে পি অমসুং এ এ পি খক্তনি। মণিপুর ষ্টেটতদি নেসনল পোলিটিকেল পার্টিগী মহিক পোকফমশিং ১২ হিংলগা মহি-মচুম খরা ফংবগী লিংখৎলি। ইরমদম মণিপুর অসিদি অঙকপা লমনি। হৌজিক থোক্লিবা খূৎশেমগী ঈহৌ অসিগী মরমদি খরা য়াম্মী। অদুম ওইনমক মরু ওইবা খরদি চহী ৭৫গী মমাঙদা হিংলমখিবা অহলশিংনা তুংগী মীরোলগীদমক থোইনা খন্থখিদবা (মখোয়সি ভোট থাদবদি য়ারগা লেপ্পদি য়াহল্লোইদবনি), ইশাগী ওইবা রিজনেল পোলিটিকেল পার্টিনা লৈঙাক পায়হৌদবা অমসুং মীয়াম্না হংকোক ময়াম অমবু মীহুৎ খনখিবননি।

মিজোরামগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর লালদুহোমা ইন্দিয়ন পুলিস সর্ভিস ওফিসরনি। প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীগী মতমদা চীফ সিক্যুরিটি ওফিসর ওইরমখিবা Trustworthy officer অমনি। মহাক্কী First 100 days গী প্রোগ্রামদা ফার্মরশিংগী য়াইফনবনা ইহান হানবা মথৌ ওইরি। মখোয়গী মরু-মরাং লৈবা অমসুং পোৎ চৈ থাবনা মহাক্কী অহানবা থবকনি খল্লি। অসিগুম্বা ৱাখলসি ঐখোয়গী হঙোইগুম্বশিংদা য়াওদে। ফত্তবা, ঈজৎ মাঙবা, মিংচৎ থীবা থবক অমা পাঙথোকপগী ইকায়বা খঙদ্রবা ময়াম্না য়োল্লগা হিংলিবা খুন্নাই ওইরে। নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিং - সিক্কিম, অরুনাচল প্রদেশ, অসাম, মেঘালয়া, ত্রিপুরা, নাগালেন্দ, মিজোরাম অমসুং মণিপুর ষ্টেট নিপালসিদা খ্বাইদগী ইকায়নীংঙাই ওইরিবসি ঐখোয়গী মণিপুর ষ্টেট অসিনি। স্পোর্টসতা মকোক ওইরবসু থকসি-খাসিদদি জিরোনি। ফূরুপ অসিবু নুংশিবদি য়াম্না তাঙলি।

ইন্দিয়াদা লৈরিবা ষ্টেট ২৯গী মনুংদা বি জে পিনা ষ্টেট ১২দা পাল্লি। অদুগা ষ্টেট ১৭তদি অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টিনা লৈঙাক পায়রি। মীনম্বা ঙাওলগা মতম কুইনা লৈঙাক্কী ফম্নাইবা ওইবা য়াবা নত্তে। ইন্দিয়াগী মফম খুদিংদা ময়া খিগৎপা, মীনম্বগী মীনোক অদু উদবগী মতম মীয়াম্না ঙাইদুনা লৈরবনি। মশক উনীংদবা অমসুং মখোল তানীংদবনা পীক থল্লবনি হৌজিক্তি। টামিল নাদু, ওদিষা, ৱেষ্ট বেঙ্গলনচিংবা মফমদা বি জে পি, কোংগ্রেসকী মমি ফাওবা তাবা ঙমদে।

মণিপুরনা ইন্দিয়াদা হেক পূনখিবদগী লায়রবা মীয়ামদি ঙসি ফাওবা ৱানা হিংলি। মশাগীদা নুংঙাইনবা খনবা মীওই খরতনি খুদোংচাবা ফংলিবসি। মশাগী খুদোংচাবা ফংনবনি ফন-ফন হূই-হৌদোংদৌনা মমৈ হাইরগা পার্টি অমদগী পার্টি অমদা চোংলিবসি। মণিপুর মীয়ামগী খনবা মীওইশিং ওইরল্লবদি মীয়াম্না অসুক ৱানা হিংলিবসি হিংলল্লোই।

মীয়ামদা ইজরিবসিনা নীংশিংজনীংবদি মণিপুর ইমা লৈবাক অসি তুংগী মীরোলগীদমক কল্লগা থল্লমদবা য়াদে। মরম অসিনা মী খুদিংমক্না ৱাখল খল্লগা করম্না থবক পাঙথোকসিগে খন্নসি। ঐখোয় মশেল পূল্লপ পূন্নবা হোৎনসি। চাওখত্তবা, শা-ঙাগী লমচৎ-শাজৎ চৎপা মীওইশিংদগী লাপ্না হিংসি। ইমা লৈবাক মণিপুরনা য়াইফরে। খুরুমজরি পূন্নমকপু। ●


# খূবাক খুসি ঐখোয়

- খোইস্নাম ধিরেন মীতৈ -

অঙকপনি হে তাইবঙ মপূ... মীতৈ মচাশিং পুল্লপ-পুল্লপ শিরবসু ব্রহ্মোস মিসাইল কাপ্পা য়াবগী পাঙ্গল লৈরবা সমুদ্রগী লানগী জহাজ অমগী মমিংনা ইম্ফাল হায়না থোনবীদুনা মণিপুরবু য়াম্না লূম্না লৌবীরি হায়দুনা জগোয় শাবা ঙম্বা তাইবঙ মীসু নহাক্না মীতৈ মচা মান্না শাবীদুনা ইরমদম অসিদা থাবীরকইদো। থা তরেৎ হেন্না মীতৈ হাৎলক্লিবসি ইন্দিয়াগী ৱাংমদগী খোঙ্গ্রাও শেত্তবা লুংগ্রি শেৎপা কুকি ময়াম য়াওরে হায়বা সেন্টরনা খঙবীখ্রে। অসিতসু নত্তনা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা উফুলনা লৈচিল থারবসু অন্দমান নিকোবরদা লৈবা মাউন্ট হেরিএটপু মাউন্ট মণিপুর হায়না থোনবীখ্রবনিনা লাক্কদৌরিবা এম পি ইলেক্সনগীদমক হৌজিক্তগী শেম শাবা হৌরগদবনি হায়বা ৱাহৈসিসু তাইবঙ মপূ নহাক্না শাবীরকপা লৈয়েংসিনা ফোঙদোকপসু ঙমহল্লিদো। হে তাইবঙ মপূ... নহাকসিবু করম্না ঙক্লোইদগে।

চুড়াচান্দপুররোমদা, কাংপোকপীরোমদা পোপি মাঙহন্নবা উখুললোমদা হৌজিক পোপি পান্বী য়াম্থৎতুনা কন্না হোৎনরিবসিসু তাইবঙ মপূ নহাক্কী লীলা ঙাক্তনিদো। মীতৈনা মশাগী ময়ূমদা লৈবা ফংজদ্রিবা। লেমহৌবা মীতৈশিংনা হিংদৌবোই নীংদুনা কিজ-কিজনা লেল্লিবা পূন্নমকসিসু তাইবঙ মপূ নহাক্কী খুজিল থৌরাং ঙাক্তনিদো। লেঙলি পাল্লিবা তীল-কাং, হূই-হৌদোং ময়ামসিসু তাইবঙ মপূ নহাক্না শাবীরকপনিদো। অদুনা ঐখোয় মীওইবশিংগা পূন্না লৈমিন্নদুনা তীলনা মীৎতা চঙলি। কাংনা নাকোং মখুলদা চঙনবা হোৎনরি। হূইনা তান্নরা চিক্লি। হৌদোংনা চাক পুখম লান্না চোংলি।

তাইবঙ মপূ নহাক্তি মী নত্তবনিনা ঐখোয়না য়াম্না শিহন্নীংলবা মীবুসু হিংলগা অদুম থন্বীদো। মী হাৎপশিংদসু করিমত্তা চৈবীদেদো। ঐনা তাজবদা তাইবঙ মপূ নহাক্না য়ানীংদবা মীদুদি মানা হয়েংৱাই শিরবা মতুংদা যম নিংথৌনা অশিবদুগী থৱায়দুদা ওইনা লাক্লে হায়। শিরগা যম্না লাক্লবদুদি ঐখোয়না উজবদি নত্তবনিনা শেরান তুরান ঙাঙবা মীশিংসু মীয়ামগী মাঙদা করিমত্তা ইকায়বা ফাওদনা চাক্না চারিবসি মীতৈ ওইবা তাইবঙ মী ঐখোয়নদি য়েংবদা ৱারেদো।



থোইদোক হেন্দোক্না বি জে পি য়াওজবা ফংহৌদ্রবা, বি জে পিগী কার্য্যকর্টা ওইজবা ঙমহৌদবা মীতৈ মীয়ামদি চুন্নতা ৱাবা নৎত্রে। মীগীদমক ইকায়বীবা অমা য়াওনা ৱারে। সুমাইনা মশাবুসু ইকায়জবা নৎত্রগা মীগীদমক ইকায়বসি তাইবঙ মপূগা নক্নবা লাইপোক্লুম্বা মীদদি য়াওদবা মাল্লি। মখোয়দি অৱাবা ৱারী তানীংদে। নুংঙাইবগী পাউ ঙাক্তা তারগা নুংঙাইজবা ওইনা থেংনৈ। মী শিবগী পাউ তাদে। ইপান থাবগী পাউদদি শোয়দনা য়ৌবীরকইসু হায়নৈ। মীতৈ নুপীমচা লিসিপ্রিয়ানা বি জে পি য়াওদ্রবসু মালেমদা মফম অমা চাউনা কল্লকপা মীকুপশিং অদুবুদি নুংঙাইবীরমগনি। অঙাং লিসিপ্রিয়ানা মহাক্না মরমদম্বু নুংশিজবনা মমিৎতা মপি ইরা চেন্দুনা মোদিজি ঐখোয়গী মণিপুরবু অমুক্তা কনবীয়ু হায়দুনা মখূৎ মচাদুনা লোন্নরগা খুরুমজবদো লাইপোক্লুম্বা মীনা য়েংনীংলল্লোই। মোদি জিসু য়েংনীংলল্লোই। অমিটসু য়েংদবা মাল্লি। অৱাবগী পাউনিনা কনামত্তনা তানীংলল্লোই। তানীংদবদুনা তাদদুনা হৌজিক ফাওবা মী শিরিবসিনি।

তুংগী পোমিৎ উবা মীতৈশিংনা মণিপুরগী ৱাজবনা কপ্লি। লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লিবা কুকিশিং করম্না থেংনগনি খনবদা ৱারি। মখোয় লৈরি, মখোয়না ঙাকপী শেনবীগনি খল্লুবা ইন্দিয়ানা মণিপুরগী ৱাখল খনবা শংদ্রি, ইন্দিয়ন লান ম্নীশিংনা মীতৈ চা কয়ানা থৱায় হিংনবা চেঞ্জবা উরগা নুংঙাইরবা লীলা ওইনা য়েংদুনা লৈরি। মণিপুর মচেৎ তাহল্লোই হায়রিবা ইন্দিয়ানা মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়না লাউরিবা মীতৈশিং লাম্মী মশীং থিঙমদনা থাজিল্লক্তুনা ফূবিরি। মীতৈদা ওনশিন্দুনা নোংমৈ কাপ্লিবা কুকিশিং তান্থোকপীয়ু হায়জবা মৈরা পায়বী ইমাশিং লিচৈনা কন্দুনা শা-ষণ তানবগুম তাল্লি। মণিপুর কায়হল্লোই হায়রিবনিনা কায়গদবদি মান্দে। অদুবু তম্বা ঙমদবা মপোক্লি। পূন্নমক তাইবঙ মপূনা শিনবীরক্কদবা থৌরাং ঙাক্তনি।

অদুবু ঐখোয় ৱানীংঙাই লৈতে - মীতৈ মূৎখ্রবসু ইম্ফাল কৌবা লানগী জহাজ অদুমদি মূত্তনা লৈহৌগনি খল্লি। মণিপুর মচেৎ-মচেৎ তাদুনা শিংকুপ শানা কায়খ্রবসু অন্দমান নিকোবরদা লৈরিবা মাউন্ট মণিপুরদি কনামত্তনা থুগায়বা ঙমদনা চীং ওইনা অদুম লৈহৌরগনি। ঐখোয় ময়াম পূন্না খূবাক অমুক্তা খুসি ....খুনীংব্রা।? ●

# লোক্তাক প্রোজেক্ট মূত্থৎহৌদ্রবদি য়েলহৌমী মূৎখ্রগনি

- রঞ্জিৎ নিংথৌজা -

'ঈশিংনা থৱায়নি' হৌজিক্কী লৈঙাক্না লাউরি। উ থারগা ঈশিং ফংনবা শেল য়াম্না থাদৈ। জল শক্তি মিসন পায়খৎলি। অদুবু মালেমনা কল্লক্লরিবা ষ্টেট অসিগী থৱায় পূন্নমক্কী হিংফম ওইরম্বা 'ফ্রেস লেক' মিংথোল্লিবা লোক্তাক ঙসিদি 'দেথ লেক' ওইরে। পাৎ অসিদা ফংলম্বা য়েলহৌ ঙাশিং খোঙ্গুল মূৎলে। চাকখুম লাখ হেনবগী মবুক থলহল্লম্বা হৈকক মূৎখ্রে। ঈমাইদা লৈকংদগী ঙানা চেনবা উরম্বা অরুবা ঈশিং অমোৎপনা মমখ্রে। মণিপুর তুরেলগী খাবক, ঙাতেন, শরেং, ঙারেন হৌজিক্কী মীরোলনা মমিং ফাওবা হায়বা হৈত্রে। তাওথবী তুমাইনা ফৌগৈ চোল্লম্বা ইমুং খুদিং প্লাষ্টিক য়াওবা অয়েন চেঙনা মহুৎ শিল্লে। চারিবা ঐখোয়গী চাকখাও পৎহন্দুনা মীওইবগী পূন্সি চহী ৬০/৭০দা লোইরে। খোইদুমগী আলু নীংশিংনদ্রে। অকোয়বগী পাৎশিং-ইকোপ পাৎ, খরুং পাৎ, লৌশি পাৎ, পুল্লেন পাৎকী ৱারী ওইনফাও লৈহৌদ্রে। ইথাই বরাজগী মখাদা খুন্দারম্বা খুঙ্গং কয়া ময়ূম-মকৈ হোংনখ্রে। লোক্তাক হায়দ্রো প্রোজেক্টকী মপুক ৱাত্তনবতা নেসনল হায়দ্রো ইলেক্ত্রিক পাৱর কোর্পোরেসন (এন ঐচ পি সী) না খনখিবনা লোক্তাক্কী ঈশিং অপূম্বা ওইহনখিদুনা হু চেল্লে। মসিদা হিংলম্বা থৱায়শিং ডাইনোসরনা মূৎখিবগুম মূত্থৎকদৌরি।

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লৈবাক্কী য়াইফনবগী মিংদা কুমজা ১৯৬৭তা লোক্তাক হায়দ্রো ইলেক্ত্রিক প্রোজেক্ট পায়খৎনবা খন্নবা হৌখি। মসি লমদম অসিদা খুন্দারিবা মীয়ামদা তান-তিক্লরগা পায়খৎখিবা থৌরাং অমা ওইখিদে। হায়রিবা প্রোজেক্ট অসি নেসনল হায়দ্রো ইলেক্ত্রিক পাৱর কোর্পোরেসন (এন ঐচ পি সী) দা শিন্নদুনা থবক পায়খৎলকখি। প্রোজেক্ট অসিনা লোক্তাক প্রোজেক্টকী অকোয়বদা লম একর ৪০,০০০ কোনশিন্দুনা থমখি। লৌউ-শিংউ তৌজরম্বা একর লিশীং কয়াগী মফমশিং ঈশিং মনুংদা চহী ৩৫ অসি লুপশিন্দুনা থম্বীখি। মসিগী ক্ষেতিপুরোল ওইনা লৌফমশিং অদুগী মপূশিং অমদি খুন্দারিবা খুঙ্গং কয়াদা মৈ য়ুনিট অমদা পৈশা ১০দা পীগনি হায়বা মোইথেম তৌবীদুনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংবীখি। কুমজা ১৯৭৪দা শাগৎপা হৌখিবদগী লমদম অসি লৌউ-শিংউবা অমদি পাৎ-কোন তাদুনা ঙা ফারগা হিংজরম্বশিংগী শেন্মীৎলোন খম থেংনা শোকহনবীখি। য়েলহৌঙৈদগী লোয়নদুনা লাকখ্রবা ঐখোয়গী ওইজবা ঙা কয়া শোয়না শেমখিনা ইথাই বরাজনা মাঙ তাকহনখি। ঈশিংগী অকা-অকুম লৈখিদবনা তাওরম্বা ফুমশিং লৈশাদা হৌজিনখি। কৈবুল লমজাওগী শজি-সঙাই লৈফম মাঙ তাকহল্লি। মপূন্সি লোইরবা লোক্তাক হায়দ্রো প্রোজেক্ট হিঙ্গৎনবা হোৎনবীবগী মহুত্তা হিংবদা ৱারবা অকোয়বগী থৱায় পানবা পূন্নমকপু হিংহনবনা মরু ওইদব্রা?

ইনভাইরনমেন্ট মশক হোংহনখিবনা অরেংবা ফুম লৈরক্তে। মালেমদা অনীশুবা ময়ূম লৈজদবা তাঙলবা সঙাই মূত্থৎনবা মরম লোক্তাক প্রোজেক্টনা ওইরকখি। নেসনল পার্ক ওইরিবা কৈবুল লমজাওবু নেসনল পার্ককী মেপতগী লোক্তাক প্রোজেক্টনা মূত্থৎনবা অতম্নমা থৌরাংবীরব্রা হায়বা ৱাহং থোরক্লে। কুমজা ১৯৮৩দা কন্মিসন তৌখিবা প্রোজেক্ট অসিনা লমদমসিগী মীয়ামগী হিংবগী, চাওখৎপগী লম্বী পূন্নমক থদৎতুনা লাক্লি।

মতাং অসিদা হংনীংবা ৱাহং খরদি মীওইবা কন্নবা হোৎনরিবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা ইনভাইরনমেন্ট খম থেংনা শোক্লবা লোক্তাক অমদি পুমলেন খোইদুম্নচিংবা মাঙখিব্রবসি উবা হৈত্রিবা দিপার্টমেন্ট অসি ইনভাইরনমেন্ট কন্নবা লৈবা দিপার্টমেন্টনি হায়বা য়ারিব্রা? লৌফম কয়াদগী পুখৎলকখিবা ফৌ অমদি আলু অমদি নেচরগী ইচীঙ্গাক ওইরম্বা হৈকক-য়েল্লি, লোক্লে-পুল্লে অমদি য়েলাং উবা ফংখিদ্রে। পুথোক্লিবা মৈ অসিসু ষ্টেট অসিনা শীজিন্নবা ফংদে, অতোপ্পদগী লৈরগা শীজিন্নরি। ফংলিবা অপূনবা মৈদগী চাদা ১২দমক ষ্টেটকী শরুক থুংলি। মসিদা শঙ্গোমনা এন ঐচ পি সীনা ফংবা, শজিক্না ঐখোয় মীয়াম্না থাকপা, অনাবা ষণ ওইরবা লোক্তাকপু লায়েংবীদবগা মান্নরে। অমাঙবতনা থল্লবা প্রোজেক্ট অসি থম্বগী মতম ওইরিব্রা হায়বসিসু লোক্তাক দিভেলপমেন্ট ওথোরিটিনা পাউখুম পীবীবা তঙাইফদ্রে। অতাওবা ফুমদিগী অপা-অথাগী চাং কায়হনবনা সঙাইগী লৈফম মাঙলকপনি। সঙাই মাঙখ্রগা কৈবুল লমজাও নেসনল পার্ক লৈখিগদ্রা লমদম অসিদা চাক্তারম্বা উচেক মখল কয়া লোক্তাক প্রোজেক্টনা অমুক হল্লক্তনবা তান্থোকখিবনি। ফীভম অসিনা সঙাই মূত্থৎকদৌরিবনি। সঙাই মতুংদা খুন্দারিবা মীওইবশিংসু মূত্থৎকদৌরিবনি।

শাংলবা চহী ৩৫সিদা মীওৎ-মীনৈগী মতৌদা মীয়াম্বু অৱাবা নত্তনা কান্নবা মচেৎ অমত্তা পীরকখিদবা লোক্তাক প্রোজেক্টনি হায়বসি ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না মমুৎ তানা খঙবীবা চঙলে। ষ্টেট অসিগী লৈঙাক্নসু সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টতা অমাঙ অতোং মুন্না খঙহন্দুনা মপূন্সি লোইরবা প্রোজেক্ট অসি মখা তানা থমদনবা ৱারেপ লৌমিন্নরসি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী প্রোজেক্ট অসি চহী ২৫ অমুক শাংথনবা থৌরাং লৈরে হায়বগী ৱাফম থেংনরে। মসি থিংমিন্নহৌদ্রবদি লমদম অসিগী মীয়াম মূত্থৎকদবা প্রোজেক্ট ওইরক্লগনি। তুংগী মীরোলবু নাওকোন দুনা হিংহনবীগদবা লোক্তাক পাৎ মূত্থৎনবা থাংজিল্লকখিবা প্রোজেক্ট অসি মীয়ামগী মান্নবা লিংজেলনা থিংমিন্নহৌরসি। ঙসিসু অমুক থৌশাহৌদবদা শাংলবা চহী ২৫ থেংলুবা-শোক্লুবা য়াদনা অমুকসু আই সী য়ুদা শিবা ঙাইরিবা অনাবগুম ষ্টেট অসিগী মীয়াম ঙাইখিদৌরি। লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন অমদি খুন্নাইলোনবু মূত্থৎনবা মতৌদা শেন্দোং তানবা খরগী থৌরাং অসি থিংহৌদবদা ইপা-ইপুগী মতমদা থেংনখিবা চহী ৭ খুন্তাকপা অদুবু হেনবা লমদম অসি মতম পূন্নমক্তা খুন্তাকহল্লগনি হায়না ইরৈচা পূন্নমক্না খঙমিন্নরসি। নোংমৈ, বোম, তোপ্পা মী হাৎতুনা ইরৈবাকসি মূত্থৎপদি কৈদৌঙৈদা ঙল্লোই অদুবু লোক্তাক পাৎকী অপূম্বা ঈশিংনা থৱায় পানবা পূন্নমক হাৎতোকখ্রবদি মালেমদা মণিপুরগী পুৱারী মূৎখিনি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৯

১) **''গর্গ-সংহিতা : মাধুর্য্য-খণ্ডম্''** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা ইথোকপগে?

২) **''মঙাল য়াওদ্রবা নুংথিল''** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

৩) **''এংগল্ কয়াদগী লৌদুনা য়েক্লবা**
**নঙগী শক্তম্শিংনা অৱাঙ্বা কলাগী**
**খূদোল্ ওইনা চীংলেম্না মফম কল্লি**
**মালেম্গী মচি মচিদা লৈরিবা আর্ট গেলেরিশিংদা।''** শৈরেং মতেক অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবসি কনানো অমসুং লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

৪) **''মল্লবা খাঙপোকশঙ''**হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্লি। অইবসি কনানো?

৫) **''নুপী অমসুং মমিশিং''** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমসুং লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।